হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জন্যুৱারী ১৩, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৮৩শুবা মশীং

# নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম

## দোমেষ্টিক ভাইয়লেন্সনা খ্বাইদগী চাং ৱাংলিবসি লাইবক থীবনি

কুমজা ২০১৮দা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কোগনাইজেবল ক্রাইম লাখ ৫০ হেন্না রেজিষ্টর তৌখি হায়বা নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো (এন সী আর বি)গী ক্রাইম দেটাদগী খঙবা ঙম্লে। এন সী আর বিনা হন্দক্তা থাদোরকখিবা রিপোর্টনা হায়খি, কুমজা ২০১৮দা কোগনাইজেবল ক্রাইম ৫০,৭৪,৬৩৪ রেজিষ্টর তৌখিবগী মনুংদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী)গী ক্রাইম ৩১,৩২,৯৫৪ অমসুং স্পেসল এন্দ লোকল লো (এস এল এল)গী ক্রাইম ১৯,৪১,৬৮০ য়াওরি। নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাং ৱাংখিবসি দোমেষ্টিক ভাইয়লেন্সকা মরী লৈনবা ক্রাইমনি। নুপীগী মায়োক্তা চথবা আই পি সী ক্রাইমশিংগী মনুংদা চাদা ৩১.৯দি মপুরোইবা নৎত্রগা মরী-মতানা নুপীশিং তাথি-তাওইনা তৌবীবগী মতাংদনি। ইকাই খুম্নবা মাঙহনগে হায়বগী ৱাখল্লোনদা নুপীগী মায়োক্তা এসোল্ট তৌখিবগী কেসনা চাদা ২৭.৬নি। কিদনেপ্পিং এন্দ এবদক্সনগী কেস চাদা ২২.৫ অমসুং রেপ কেসনা চাদা ১০.৩নি। চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা চথবা ক্রাইমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাং ৱাংখিবদি কিদনেপ্পিং এন্দ এবদক্সন (চাদা ৪৪.২)নি। পোক্সো এক্ট (প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুয়ল ওফেন্সেস এক্ট ২০১২)গী কেসনা চাদা ৩৪.৭নি। কুমজা ২০১৮দা মী হাৎপগী কেস ২৯,০১৭ রেজিষ্টর তৌদুনা কুমজা ২০১৭তগী চাদা ১.৩ হেনগৎলকখি। কুমজা ২০১৭তদি মর্দর কেস ২৮,৬৫৩ রেজিষ্টর তৌখিবনি। ইকনমিক ওফেন্সেস, ফোর্জরি, চিটিং এন্দ ফ্রোদকী কেস ১,৩৪,৫৪৬; ক্রিমিনেল ব্রিচ ওফ ট্রষ্টকী কেস ২০,৪৫৬ অমসুং কাউন্টরফিটিংগী কেস ১,২৬৬ রেজিষ্টর তৌখি। সাইবর ক্রাইমগী কেস ২৭,২৪৮সু রেজিষ্টর তৌখি। চাংচৎতা নুমীৎ খূদিংগী মী হাৎপগী থৌদোক ৮০, কিদনেপ তৌবগী থৌদোক ২৮৯ অমসুং নুপী ফল্লানবগী থৌদোক ৯১ থোকখি। এন সী আর বিগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৭কা চাংদম্নবদা কুমজা ২০১৮দনা শেল্টর হোমশিংদা সেক্স্যুয়ল হরাসমেন্টকী থৌদোক থোকপগী চাং চাদা ৩০ হেনগৎলকখি। বিহারগী মুজাফ্ফরপুরদা লৈবা শেল্টর হোম অমদা চহী নৌরিবী নুপী কয়া সেক্স্যুয়ল এব্যুজ তৌখিবগী থৌদোক্লা লৈবাক্কী মফম কয়াদা ঈরাং হৌহনখিবনি। কুমজা ২০১৭কী ওইনা শেল্টর হোমশিংদা সেক্স্যুয়ল এব্যুজ তৌবগী থৌদোক ৫৪৪ থোকখি। কুমজা ২০১৮দনা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক ৭০৭ থোকখি হায়রি। খ্বাইদগী ইকোন কোন্না থাদোরকখিবা এন সী আর বিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক খ্বাইদগী য়াম্না থোকখিবা ষ্টেটতি উত্তর প্রদেশনি। মহারাষ্ট্রদা থৌদোক ১৬১, অন্ধ্র প্রদেশতা ৬২, মধ্য প্রদেশতা ৬১ অমসুং হরিয়ানাদনা ৪৯ থোকখি। নুংঙাইহরিবা ৱাফমদি বিহারগী মুজাফ্ফরপুরদা লৈবা শেল্টর হোমদা চহী নৌরিবী নুপীশিং সেক্স্যুয়ল এব্যুজ তৌখিবগী থৌদোক্লা লৈবাক ৱাথোক ওইখ্রবসু এন সী আর বিগী রিপোর্ট ফোঙলকপদা বিহারগী কেস অমত্তা য়াওরক্ত্রিবসিনি। বিহারগী শেল্টর হোমদা থোকখিবা সেক্স্যুয়ল এব্যুজগী কেস ১৭ হৌজিকসু সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না ইনভেষ্টিগেসন চথরিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মশক-মমিং তাকথোক্লিংদবা এন সী আর বিগী ওফিসল অমনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট খরনা মপূং ফাবা ইনফোর্মেসন পীরক্তবা মরম্না এন সী আর বিগী এন্যুয়ল রিপোর্টতা য়াওহনবা ঙমদবনি। এন সী আর বিগী এন্যুয়ল রিপোর্টতা খ্বাইদগী ইহান-হান্না শেল্টর হোমশিংদা নুপী-অঙাং সেক্স্যুয়ল এব্যুজ তৌবগী কেটগরি হাপচিল্লকখিবা কুমজা ২০১৭তনি। চহী অদুগী রিপোর্টনা কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবরদা ফোঙলকখি। মমাঙ চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা বিহার শেল্টর হোম কেসকী ইনভেষ্টিগেসন দিল্লিদা শিন্নখিবগা লোয়নন্না শেল্টর হোমশিং নীংথিনা চল্লাইদে হায়বগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মমাঙ চহীদা টাটা ইন্সটিট্যুট ওফ সোসল সাইন্সেস (টি আই এস এস)না শেল্টর হোমশিংগী ফীভম য়েংশিল্লগা থাদোরকখিবা রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরগা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা শেল্টর হোম খূদিংমক য়েংশিন্নবা নেসনল কন্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন সী পি সী আর)দা খঙহনখি। অদুম ওইনমক শেল্টর হোমশিংদা নুপী-অঙাং ওৎ-নৈবা অমসুং সেক্স্যুয়ল এব্যুজ তৌবগী থৌদোক মপূং ফানা থিংবা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংলি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টম অমসুং থবক মফমদা নুপী কয়া সেক্স্যুয়ল হরাসমেন্ট তৌবগী মতাংদনি। কুমজা ২০১৮গী ওইনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টমদা সেক্স্যুয়ল হরাসমেন্টকী থৌদোক ৭৩০ থোকখি। থবক মফমদনা থৌদোক ৪০১ থোকখিবগী রিপোর্ট তৌরকখি। কুমজা ২০১৭তনা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টমদা থৌদোক ৫৯৯ অমসুং থবক মফমদা থৌদোক ৪৭৯ থোকখি। বস অমদি ট্রেনচিংবা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টমদা নুপীশিং হরাসমেন্ট তৌবগী থৌদোক খ্বাইদগী য়াম্না থোকখিবা ষ্টেটতি উত্তর প্রদেশনি। ষ্টেট অসিদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক ২৯৯, মহারাষ্ট্রদা ১৫৯, কর্ণাটকাদা ৬৪ অমসুং মধ্য প্রদেশতা ৬০ থোকখি। কুমজা ২০১৮গী ওইনা নুপীদা এসিদ হৈজিন্দুনা এসিদ এটেক চথবগী থৌদোক ১২৬ থোকখি। ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী)গী সেক্সন ৩২৬ এগী মতুং ইন্না এসিদ এটেকতা মরাল লৈরবা মীওইশিং চহী ১০ ফাওবা নৎত্রগা পূন্সি চুপ্পা জেলদা থম্বা য়াই। এন সী আর বিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০১৭তা এসিদ এটেককী থৌদোক ১৪৮ থোকখি। এসিদ এটেককা মরী লৈননা কুমজা ২০১৮দা কেস ৯০গী চার্জশীট ১০০ ফাইল তৌখি। হীরম অসিগী মতাংদা "এসিদ সর্ভাইভরস এন্দ ৱিমেন ৱেলফেয়র ফাউন্দেসন ইন্দিয়া"গী দিরেক্টর মুকুল ভর্মানা হায়খি, লৈঙাক্লা মতীক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু নুপীদা এসিদ হৈজিল্লগা এটেক চথবগী থৌওং মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রি। মণিপুরগী ওইনসু অদুমঙায়রে, নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। নুপী কয়া নুংশিনবা নুপানা চেল্লবনি হায়দুনা পুরগা হকচাংগী ওইবা মরী থম্নরবা মতুংদা হাৎতোল্লগা হুন্দোক্লম্বা অমসুং হোষ্টেলদা লৈবী নুপীমচাশিং চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিবগী থৌদোক থোক্লি। অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক থোরকপা খূদিংগী মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লবসু অশিবতনা মাঙজরগা মরাল লৈবা মীওইশিং মতীক চাবা চৈরাক ফংহনবা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংলি। মণিপুরদা অউনপোৎকা মরী লৈননা মপুরোইবা নৎত্রগা মনেম-মকুন্না নুপী ওৎ-নৈবগী থৌদোক অদুক হাক্লা থোক্ত্রবসু ইনি দয়া অপূনবগী ওইনা য়েংবদা "ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন"গী কেটগরিদা দোমেষ্টিক ভাইয়লেন্সনা চাং খ্বাইদগী ৱাংলি। পার্লিয়ামেন্টতা তোঙান-তোঙানবা লেজিসলেসন কয়া পাস তৌবগা লোয়নন্না ফাষ্ট ট্রেক কোর্টশিং লিংখৎপা তারবসু মরাল লৈবা মীওই খূদিংমক চৈরাক ফংহনবা ঙমদবা অমসুং নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রিবসিনদি লৈঙাক্কী থৌশিলদা কদায়দনো-করিনো অশোয়বা অমা লৈরে হায়না লৌফম থোকই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১১

১। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা বৃটিশনা লৌশিনবসু ইকোন কোনবনি, অদুগা ইন্দিয়াদা তিনবসু ইকোন কোনবা লৈবাকনি। অদুবু কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী অতোপ্পা লম অনীগা পূন্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রে।

(ক) অতোপ্পা লম অনীদুগী মনুংদা অমদি ত্রিপুরানি, অতোপ্পা লমদুগী মমিং হায়য়ু।

(খ) শিল্লোংদা মহারাজ বুদ্ধচন্দ্রনা চৎখিবদু মাগী মরৈবাক নীংবা প্রাইভেট সেক্রেটরি লোয়নখি। মহাক অদু কনানো?

২। "ইজমগী পল অসিদি নৈনরোয়গী লৈই অমনি, কবিদি লৈইগী ৱাংমদা লৈগল্লি। ফাজিনবসু লানগনি।" ৱাফম অসি নৈনরোয় অমগী মতনি। মহাক্না 'মোরাম্বী অঙাওবী' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ইরম্মী। মহাক্তু কনানো?

৩। "য়েংঙু/কৌব্রুসে কূমথরক্লে/মথন্তা/চীংদোন্দগী/লৈচিন নোংফাই অমতা লোয়নরক্তনা/কদায়দনো/মীরকসিদা।" পরেংশিং অসি দিনমনী অমদি সমরেন্দ্রগী মতুংদা লাকপা সেট্যারিকেল কবি অমগী ৱাহৈশিংনি। মহাক অদু কনানো?

৪। "পোইরৈ কৌগেরা, কংলৈ কৌগেরা/মুৱাপল্লি থোনগেরা, সনা পুংময়োননিবু হায়সিরা/কতে কশে মুগলাই/কৌনীংবতা কৌজৌ, ঐগীদি সনা লৈবাক।" পরেংশিং অসিনা 'শাৎচগে নঙগীদমক' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "অনৌবা য়ুগকী/অনৌবা আশা পুদুনা/লাক্লো নহারোল।" মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# লৈহাও চাংয়েং তৌনবগীদমক লৈবাক লৌবগী কাঙলোন

ডো. ৱাইখোম জিতেন



ঐখোয়না থাগদৌরিবা মহৈ-মরোংশিং অদুদা করম করম্বা মখলগী অমদি কয়া য়াম্বা চাংদা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং পীগদবগে হায়বসি লৌফম অদুদা লৈরিবা লৈবাক অদু চাংয়েং তৌদুনা করম করম্বা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং কয়া য়াম্না য়াওরিবগে হায়বদু খঙলবা মতুংদা লেপকদবনি। মরম অসিনা লৌফম অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লৈবাক খরা খরা লৌবিরগা চাংয়েং তৌথোকপীবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা থবক অমনি। ঐখোয়গী লৌফমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অসি মখোয়বু শেল্লকপগী মওং অমদি শেল্লকখিবা পোৎচাকশিং খেন্নবনা মরম ওইদুনা লৈবাক লৈহাও খরা খরা খেন্নে। অসুম্না খরমখৈ খেনজরবসু ঐখোয়না লৌগদৌরিবা লৈবাক খরা অদুনা চাউখ্রবা লৌফম অদুগী মহুৎ শিনবা য়াবা লৈবাক ওইনবগীদমক, লৈবাক লৌবীবা মতমদা য়াম্না চেকশিনবীবা তঙাইফদে। মরম অসিনা লৌফম অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মান্নবা চাংদা লৈবাক খরা খরা লৌবীরগা নিংথিনা তোৎখায়বীদুনা চাংয়েং তৌনবগীদমক শীজিন্নগনি।

**লৈবাক লৌনবগী মফম খনবা :**

লৈবাক লৌগদৌরিবা মফম অদু য়ারিবমখৈ লৈতেম মান্নবা, মচু মান্নবা, মমাঙদা থাখিবা মহৈ-মরোংগী মখল মান্নবা লোয়না লোয়ননা মান্নবা লৌউ কাঙলোন পায়খৎখিবা মফম ওইবীগদবনি। ইকুই কুইদনা হার হাপখিবা মফমশিং, লৌরি অমদি লৌরিগা নক্লবা মফম, ঈশিং খোংগা নক্লবা মফম, চোৎ চোৎ লাওদুনা লৈবা মফম, উজাউশিংগী মখোঙ, ষন্থি-ষণয়ুং অমদি পান্বী-শিংবীদগী পথ-পুমথহল্লগা শেন্বা হারনচিংবা পৈখিবা মফম অমদি লৌফম অদুগী ওইরিবা ফীভমদগী তোঙান তাবা অমদি ঈশিং কোম্নচিংবা লৈবা মফমদগী লৈবাক লৌবীরোইদবনি। ইশাগী লৌফমগী অকোয়বা, ঈশিং খোং/ঈশিং কোন অমদি লৌরিদগী য়ামদ্রবদা ফিট ৬-১০ ফাওবগী চাং হন্দোকপীরগা লৈবাক লৌবীগনি।

**লৈবাক লৌবদা লুগদবা চাং :**

ফৌ, মনা-মশিং অমদি মতম শাংদবা মহৈ-মরোংশিংগীদমক ফুট মখায় ফাওবগী অৱ্রবদমক লৌবীগনি। মরা লুনা তাবা অমদি মতম শাংবা পান্বীশিং খুদম ওইনা উজাউ অমদি উহৈ-ৱাহৈ থাগদবা মফমগীদমক সেন্টিমিটর ০-৩০, ৩০-৬০ অমদি ৬০-১০০ ফাওবা লুনা তোঙান তোঙান্না লৌবীগনি।

**লৈবাক লৌবদা শীজিন্নগদবা খূৎলায় :**

সোইল অগর/লেপলৈ মওং মানবা, মরৈনা সেন্টিমিটর ১৫ শাংবা খূৎলায় নৎত্রগা সেন্টিমিটর ১৫ শাংবা, লাউবা মান্নবা ৱাগী উতোং, য়োৎপাক, নূংথঙ নৎত্রগা কর্নেলনি।

**লৈবাক লৌবগী মতম :** চাংয়েং তৌনবগীদমক লৈবাক লৌগদৌরিবা মফম অদু মমাঙগী থারম্বা পান্বীশিং লোকখ্রবা মতুংদা, লৌফম অদু খোইদোকত্রিঙৈগী মতমদা লৈবাক লৌবীগনি। লৈবাক লৌবগী খ্বাইদগী ফবা মতম অসি নিংথম থাগী মতম নৎত্রগা কুমগী নোং লাক্ত্রিঙৈ মমাঙদা লৌবীবনা খ্বাইদগী ফৈ।



**লৌফমদগী লৈবাক লৌবগী মওং :**

লৈবাক অদু উতোং য়ৈশিনবদা ইরায় লায়না চংগদবা ওইরবদি, লাওবা মান্নবা সেন্টিমিটর ১৫ শাংবা উতোং ৫/৬ লৌবীরগা লৈবাক লৌবীগনি। লৈবাক লৌবদা শীজিন্নগদবা উতোংশিং অদু লৌফম অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উতোং অদু থুম্না য়ৈশিনবীগনি। অসুম্না লৈবাক মনুংদা য়ৈশিনখ্রবা উতোংশিং অদু য়োৎপাক অমগী মতেংনা লৌথোকপীরগা উতোং অদু খাইদৎপীদুনা উতোং মনুংদা য়াওবা লৈবাকশিং অদু লৌবীগনি। করিগুম্বা লৈবাক অদু য়াম্না কনবনা মরম ওইদুনা ৱাগী উতোং য়ৈশিনবদা খুদোংচারোইদৌবা ওইরবদি য়োৎপাক অমদি কর্নেলগী মতেংনা লৈবাক লৌবীগনি। লৈবাক লৌবীগদৌরিবা মফম অদু য়োৎপাক অমগী মতেংনা মথক থংবা নাপী, ফক্ত-হৌদিশিং অদু লৌথোকপীগনি। অদুগা য়োৎপাক অদুনা য়োৎলৈ অমা তৌবীগনি। মথংদা হান্না লেপখিবা মায়কৈ অদুগী ওন্ন-তৈনবদা অমুক লেপ্পীরগা হান্না তৌখ্রিবা মফম অদুদা ভি মওং তানবা তৌবীগনি অমদি মদুদা লৈরম্বা লৈবাকশিং অদু লৌথোকপীগনি। অসুম্না লৈবাক লৌথোকপা অসি সেন্টিমিটর ১৫ লুনা লৌথোকপীরবা মতুংদা ভি মওংদা লৈরিবা লৈবাক অদুগী মায়কৈ অমদগী সেন্টিমিটর ১ নৎত্রগা ২ থাবা লৈবাক, মথক অমদি মখা অনীমক মান্ননা লৌবীরগা অফবা চেখাও অমদা হাপচিনবীগনি। অসুম্না লৌফম অদুগী মফম য়ামদ্রবদা ৫/৬তগী তাদনা লৈবাক লৌবীগনি। অসুম্না লৈবাক লৌবদা নীংশিংবীগদবসি ঐখোয়না ঐগী লৌফম অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম খরা য়াম্না লৌরিবমখৈ ঐগী লৌফম অদুগী অচুম্বা চাংয়েংগী ফল ফংগনি।

লৈবাক কংহনবা :

চাংয়েং তৌনবগীদমক লৌরবা লৈবাকশিং অদু অফবা চে অমদা নিংথিনা তোৎশিনবীরবা মতুংদা নুংশা লাংদবা উরুম অমদা ফৌদোক্তুনা কংহনবীগনি। অসুম্না কংহল্লবা লৈবাক অদু প্লাষ্টিক, ষ্টেনলেস ষ্টিল নৎত্রগা উগী লৈমায়দা পঞ্জরিবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবীরগা তকখায়বীগদবনি। করিগুম্বা লৈবাকশিং অদু য়াম্না য়াম্বা তারবদি চাং মান্ননা, মকোয় মান্ননা শেন্বীরবা মতুংদা মান্নবা শরুক মরি থোকপীরগা মায়ওন মান্নবা শরুক অনী লৌবীগনি অমদি অতোপ্পা শরুক অনী অমনা মাঙহনবীগনি। অসুম্না লৈবাক লৌবা মতমদা কেজি মখায়মুক্তা লৌবীগনি।

থাবীগদবা ৱারোল :

নিংথিনা লৌবীরবা লৈবাক অদু অফবা পোলিথিন নৎত্রগা ফিগী খাও অমদা হাপ্পীরবা মতুংদা লৌমীদুগী মীং, লৈফম, লৌফমগী মমিং, লৈবাক লৌবগী নুমিৎ, লৌমী অদুগী অধার নম্বর, ফোন নম্বর, লৌফম অদুদা হান্না থাখিবা মহৈ-মরোং, মতুংদা থাবীগদবা মহৈ-মরোংশিংনচিংবা য়াওরবা চে অমদা অফবা পোলিথিন অমনা নিংথিনা য়োমশিনবীরগা চাংয়েং তৌনবগীদমক মনাক নকপা এগ্রিকলচর ওফিস নৎত্রগা কে ভি কেগী ওফিসশিংদা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌনবা পীবিগনি।



অসুম্না মথক্তা পঞ্জিখবা কাঙলোনশিং অসি কায়দনা পাঙথোকপীরগা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীদুনা তুংকোয়না লৌ উবা য়াবা মফম অমা ওইহনবদা ঐখোয় খুদিংমক শরুক য়ামিন্নরসি। ●

# য়ূমথোং কয়াদা লৈরিবা অপিকপা পুখ্রিশিংবু ফেমিলি ফার্মিংগী শরুক অমা ওইনা শীজিন্নবা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ



মতম খরগী মমাঙদদি য়ূম অমা লৈরবদি ঈশিং-মাইশিং শীজিন্ননবা পুখ্রি অমদি চাননবা মনা-মশিং থানবা ইন্থোল মচেৎ অমা শুংশোয় শোয়দনা লৈনরম্মী। পাক চাউনা লৌউ-শিংউবগী থবক পায়খৎপা নৎত্রবসু য়ূম অমদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী চান-থক্লবগীদমক্তা য়ূমগী অকোয়বদা লৈরিবা ইন্থোল খরা অদুদা মনা-মশিং থাদুনা অমদি শা-ঙানচিংবা য়োক্তুনা পোথোক কয়া পুথোকপগী থৌওং অদুবু ফেমিলি ফার্মিং হায়না খঙনৈ। হায়রিবা থৌওং অসিদা ফজনা চৎনরম্মী। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি খরা হন্থরে। অদুবু ঐখোয়গী লমদম অসিগী মফম কয়াদা হৌজিকসু য়ূমথোং কয়াদা চৎনরিবা থৌওং অমনি।

ফেমিলি ফার্মিং হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী মচি ওইবা চিঞ্জাক ফংহন্নবগী পান্দমদা য়াম্না মরু ওইবা থৌওং অমা ওইরক্লি। ফেমিলি ফার্মিংনা মালেমগী ওইনা চান-থক্লবা চিঞ্জাক ৱাৎহন্দবগী পান্দমদা লৌরিবা থৌদাং অদুবু মশক খঙবা ওইনা কুমজা ২০১৪ অসিবু ইন্টরনেসনল য়র ওফ ফেমিলি ফার্মিং হায়না লাউথোকখ্রবনি। হায়রিবা অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা লৌউ-শিংউ পথাপ, অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দবা অমদি খুন্নাইগী ওইবা অফবা থৌওং কয়াবু খোমজিন্দুনা অফবা চাওখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎপদা য়াওহন্নবা হোৎনবনি। পিক্লবসু পিকনা ফেমিলি ফার্মিংনা মালেমগী ওইনা চিঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মণিপুরদসু থৌওং অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী চৎনহন্দুনা লাক্লবনি।



মণিপুরদা লৈবা মীওই অয়াম্বনা ঙা চাবা অমদি থৌদোক ৱাথোক কয়াদা ঙা চংদবা য়াদবা পোৎচং অমা ওইবা মরম্না ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা হায়বসি তঙাইফদ্রবা অমনি। ঐখোয় পূম্নমক্না ইশা-ইশাগী লৈজরিবা লম খরা খরা অদুদা শুংশোয় শোয়দনা ফেমিলি ফার্মিংগী লৌউ পথাপ পাঙথোকপীদুনা চাবা-থকপদা ৱাৎতবা লমদম অমা ওইহনবদা শরুক য়ামিন্নরসি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা অপিকপা মফমদা হায়বদি য়ূম খুদিংগী পাঙথোক্লরিবা থৌওং অসিদা মনা-মশিং থাবা, উহৈ-ৱাহৈ থাবা অমদি শা ঙা য়োকপনচিংবশিং য়াওরি। হায়রিবা থৌওং অসি অহল-লমন্না মখোয়না থেংনরুবদগী খঙলকপা লৌশিং অদু মথং মথং তাক্লমদুনা হৌজিক ইন্টগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম হায়না থৌওং অসিগা মান্ননা পাঙথোক্লরিবনি।

ঐখোয়গী য়ূম য়ূমগী লৈনরিবা পুখ্রি মচাশিং অসি চাননবা ঙা পুথোকপদা নত্তনা লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োকপা অমদি ঙা মচা পুথোক্লবগীদমক্তা শীজিন্নদুনা শেল তানবা য়াবা অমসু ওইরি অমদি ইমুং অদুগী মচি ওইবা চিঞ্জাকসু ফংহল্লি। অপিকপা পুখ্রিশিং অসি অয়াম্বা মতমদা য়াম্না লুবা ওইগন্দে। মরম অদুনা নুংশিত্তগী শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙামু, ঙাক্রা, উকাবীগুম্বা ঙাশিং য়োকপদা চান্নগনি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা হান্নদগী লৈজরক্লবা তৌইগুম্বসুং মশীং য়াম্না হন্থরবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙানপ মখল খরা, ফাবৌঙা মখল খরা, ঙাক্রানচিংবা ঙাশিং য়োক্তুনা মাঙখিগদৌরবা ঙাশিংবু কনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী চথদুনা লাক্লিবা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংগী থৌওং অসি বৈগ্যানিক ওইবা থৌওংদা চথদুনা ইমুং মনুংগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি। তৌইগুম্বসুং মফম মতম অমদি মফমদুগী অঙৈং-অশাগা চানবা থৌওংশিং থিজিন্দুনা পুথোকপগী তঙাইফদবসু লৈরি। মসিদসু নত্তনা ফেমিলি ফার্মিংদা শরুক য়াবিরিবা মীওইশিংবুসু তৌগদৌরিবা থৌওং অদুগী মতাংদা মপূং ফানা খঙহননবা ট্রেনিং অমদি থৌওং কয়াগী মতাংদা তাকপী তম্বীবগী তঙাইফদবসু লৈরি। ●

